**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-05-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** ভারত সরকারনা লৈবাক অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা মীতোপ চংশিল্লকপা, মীশিং হেনগৎলকপা অমদি কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা অহোংবশিংগী মতাংদা মতাংদা য়েংশিন্নবা অৰাংবা থাক্কী কমিতি শেন্বগী ৱারেপ অদু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ঙমখৈদা লৈবা মনিপুরগুম্বা রাজ্যশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কমিতি অসিনা য়েংশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা ত্রাইবেলশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

কমিতি অসিনা পায়খৎলকপা থবক খুদিংমক্তা মনিপুর সরকারনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি। অসিগুম্বা থৌরাং পায়খৎলকপা অসিনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা ঙাকশেনবগী থবক হেনগৎহন্দুনা মীশিং হেনগৎলকপা অমদি মীতোপ চংশিল্লকপগা মরী লৈনবা থবকশিং য়েংশিনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**ঈদ (এল) ঃ** মুস্লামানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ঈদুল জহা হয়েং পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা মসজিদশিংদা নমাজ শোনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

ইম্ফালগী তেংকিৱালি মসজিদতা অয়ক পুং তরুক মিনিট ৪৫ দা নমাজ শোনগনি। হত্তা মসজিদতা অয়ুক পুং ৭ মখায়দা, গোলাপতি জমা মসজিদা অয়ুক পুং ৮ দা, সদর বজার মসজিদতা অয়ুক পুং ৮ মখাদা অমসুং বাবুপারা

মসজিদতনা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা ইদুল জহাগী নমাজ পাঙথোক্কনি হায়রি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা পীবা পাউজেল অমদা হায়-শেংলবা কুম্মৈ অসিনা মচিন মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবা অমসুং অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নদুনা মীপুম খুদিংমক্কী চাউখৎনবা লম্বীদা চংশিনমীন্নরসি। কুম্মৈ অসিনা শান্তি, নুংঙাই য়াইফবা অমসং হরাউ তয়াম্বা পুরকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ইদুল জহানা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। কুম্মৈ অসিনা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ওইরসনু।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা হায়রি-ইদুল জহা কুম্মৈ অসিনা কৎথোকপা হায়বসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী চাউবা গুননি হায়বদু তাক্লি। প্রোফেদ ইব্রাহিমনা ঈশ্বরনা অপাম্বগী মতুং ইন্না কৎথোকখিববু নীংশিংদুনা মীপুম খুদিংমকা কৎথোকপগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা লম্বীদা চংশিনমীন্নসি।

এম.এল.এ. থৌনাওজম বসন্তকুমারনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-ইদুল জহানা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা, নুংশি চান্নবা অমসুং থৌনা লিংজেল হাপ্পীরম্বা ওইরসনু।

ইসলাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী ওইনা ‘কথোকপগী কুম্মৈ’ হায়না খঙনরিবা ইদুল জহা অসি অল্লাগী মফমদা থাজবা অমদি মহাক্কী পাউতাক ইন্দুনা প্রোফেদ ইব্রাহিমনা মহাক্কী মচানুপাবু কৎথোকপা ঙম্বা অমদি চহিগী হজ চৎপা লোয়শিল্লকপদা পাঙথোকপা কুম্মৈনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা এম.এল.এ. শৈখ নুরুল হসননা মহাক্কী য়াইফ পাউজেলদা হায়-

শিবা সেনা মনিপুরনসু মুস্লামানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদুল জহানা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গা মরী লৈননা বুথ লেবেল সুপরভাইজর, বুথ লেবেল ওফিসার অমসুং বুথ লেবেল এজেন্টশিংগী ওইবা মীতিং কম ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা দি.আর.দি.এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিং-কারোং, মাও অমসুং তাদুবীগী বি.এল.ও, বি.এল.এ.অমদি বি.এল.এস. পুন্না ২৪৫ না শরুক য়াখি।

**মীফম (এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ হাউমীনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা হয়েং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মীফম ইন্দিজিনস পিপলস মিট পাঙথোক্কনি।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি মতৌ করমা ৱারোইশিন পুরক্কনি অমদি ঐখোয় পুমমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাফমশিং মীফম অসিদা খন্নরগনি হায়রি।

**লোকেন (এল)ঃ** আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেন সিংহনা হায়রি- টুরিজমগী লমদা হেন্না মীৎয়েং চংদুনা হেন্না থবক তৌরবদি মনিপুর অসি মীপাল তাংদবা রাজ্য অমা ওইবা ঙমগনি। ৱাফম অসি সিনে রাইটরস এন্দ প্লে রাইটরস ফোরম মনিপুরনা শিনবা এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাডমীদা পাঙথোকপা থৌরমদা অদুদা শ্রী লোকেননা হায়-শন্ন-খোৎনবা, আর্ট এন্দ কলচর অমদি টুরিজমনা মনিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লি। হীরম অহুম অসিগী মনুংদা টুরিজমদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান

তোঙানবা মফম কয়া শেমগৎ শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

শ্রী লোকেননা হায়-রাজ্য অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখিবদগী চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা থিন্থহন্নবা মরম ওইরি। অদুবু, ঐখোয় অমত্তা ওইনা হোৎনদুনা হান্না শুরুম্বা থবক্কী চাংদগী হেন্না তৌদুনা পুথহৌরিবশিং মেনখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা, সিনে রাইটরস এন্দ প্লে রাসটরস ফোরম মনিপুরনা আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎনবগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথানিংঙাহনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট ফোর ম্যুজিয়ম গ্রান্টস স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি মঙা চংনা হৌখিবা চহি ২০২১ দগী শাবা হৌরকখিবা খোংজোম ম্যুজিয়ম হৌজিক হৌজিক শাবা লোয়শিল্লক্তুনা শঙ্গানবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরে। থৌরাং অসি কেন্দ্রদা চহি ১২ রোম সাসন তৌরকখিবা এন.দি.এ. সরকারগী মখাদা পায়খৎতুনা লৈবাক পুম্বদা চৎনরিবা স্কিম অমনি।

ম্যুজিয়ম অসিদা মরুওইনা রাজ্য অসিগী পুৰারীগা শগোন্নরিবা খোংজোম লালগী অরীবা মচাক মথুমশিং অমদি রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ অমদি সংস্কৃত্তিগী ওইবা পোৎলম কয়া মফম অসিদা থমবা থৌরাং তৌরি। ম্যুজিয়ম অসি খোংজোম ৱার মেমোরিএল ত্রষ্ট-এন.জি.ও. অসিনা শাবনি। মসিবু শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ত্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম হেমন্তনা কেন্দ্র সরকারনা ম্যুজিয়ম অসি শেমগৎনবা শেন্থং পীরকপগীদমক ভারত সরকারবু থাগৎলদুনা হায়---

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মনিপুরগী কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা এম.এল.এ.

কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎ অমা থাংগৎখ্রে।

ৱাকৎ অদু মরুওইনা নাগাগী মীওই তরুক অমদি কুকিগী মীওই ১৪ ফাদুনা থমখিবগী থৌদোক অমদি মদুনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱেশিং থিংজিনখিবনা রাজ্য অসিদা চাকথোং গ্যাস ফংদবগী খুদোংচাদবা য়াওনা হিদাক লাংথক অমদি নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী মতাং য়াওরি।

হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবীদুনা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা মীৎয়েং চংবীদুনা ফাখিবা মীওইশিং অদুগী মরী মখোঙ পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা রাজ্য সরকারদা কম্মিসন অসিনা খঙহনবীয়ু হায়বা ৱাফম ৱাকৎ অদুদা য়াওরি। মীহুৎ কাংবু অদুনা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-জষ্টিস-ভি.রামাসুবমনিয়মগসু ৱারী শাখি হায়রি।

**ফয়ার (এল)ঃ** রাজ্যগী ফয়ার সার্ভিস বিভাগনা শিনদুনা ফয়ার সেফতি এৱারনেস কপ মোগ ড্রিল ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ফয়ার সার্ভিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-শাবগী চাং হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মৈহৌ লাংপোক অমসুং মহৌশাগী খুদোংথিবা কয়াদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী ওইনা এৱারনেস থৌরম পি.এম. শ্রী নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালয়া, রেংকাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, ভিমালা রাইনা হায়স্কুল, ফৌবাকসল মখা হায়স্কুল অমদি য়ুমাম হুইদ্রোম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগ অমসুং য়ুনাইটেদ ফারমস ক্লব-লাঙাথেল, থৌবালনা ঙসি লৌমীশিংগী ওহবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা মিণি রাইজ মিল মেছিন, স্প্রে পম্প অমসুং মরু-মরাংশিং য়েন্থোকখি।

**ৱারী (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱারী লীলা এসোসিয়েসননা শিন্দুনা জিলা অসিগী লাঙাথেল লাইকোম লৈকাইদা নুমিৎ তরানি চুপা চথরকাপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱারী লীবা ৱার্কশোপ কম ফেষ্টিবেল অসি লোয়শিনখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর অমসুং উখ্রুলদা ঙরাং অমসং ঙসি যোগাগী প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চয়োল অমা চুপা চথরকপা অথুম-অহাও শাবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী সেরৌ অমসুং ককচিংদা লোয়শিনখ্রে।

**য়ূসিসিঃ** অসাম রাজ্য বিধান সভানা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোড অসাম ২০২৬ বিল ঙসি পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা লুহোংবা অমদি খাইনবগী কেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেসশিং কাংলুপকী খেৎনবা লৈতনা চপ মান্নবা আইনগী ওইবা চৎন-কাংলোনগী মখাদা ৱায়েল বিচার চথনবা ৱাফম য়াওরি।

অসামনা বিল অসি পাস তৌবা ভারতকী অহুমশুবা রাজ্য ওইরে। মসিগী মমাংদা, উত্তরখন্দ অমদি গুজরাটতা বিল অসি পাস তৌদুনা চৎনবা হৌখ্রবনি।

**যোগঃ** মথং থাগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী যোগ নুমিৎ ২০২৬ কী নুঙগী ওইবা হীরম ‘যোগা শান্নদুনা হকচাং ফনা অহল ওইবা’ হায়বা অসিনা ওইগনি হায়রি।

মধ্য প্রদেসকী খাজ্রাহোদা মালেমগী যোগা নুমিৎ ২০২৬ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ২৫ নি ৱাৎলিঙৈ মাংওইননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কেন্দ্রগী আয়ুস রাজ্য মন্ত্রি-প্রতাব রাও জাদবনা হায়রিবা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-হন্দক চহিগী মালেমগী যোগ নুমিৎকী মপুং ওইবা থৌরম নোংচুপ বেঙ্গোলগী কোলকাতাদা পাঙথোক্কনি। যোগাগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ভারতকী কালা সংস্কৃত্তি অমদি লাইনিং লাইশোলগা যোগাগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈরি অমদি মসিনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

**হেলথঃ** হকশেল মন্ত্রালয়না ২০২২-২৩ গী নেসনেল হেলথ একাউন্ট (এন.ঐচ.এ) গী রিপোর্ট ঙসি ফোংখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা হায়-২০১৩-১৪ দগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবদা সরকারনা হকশেলগী লমদা সরকারনা থাদখিবা শেনফমশিং ময়েক শেংনা উরে। সরকার অসিনা ২০২২-২৩ ফাওবদা চাদা ১.৩৪ গী চাং হেন্না শেনফমশিং থাদখি। মসি ২০১৩-১৪ দদি চাদা ১.১৫ খক্তা ওইরম্বনি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-য়ু.এস.এনা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নেরোকা এফ.সিনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিক ২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এফ.সি. ইম্ফালনা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱাই.ডব্লিয়ু.সি থম্বালখোংনা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** এন.সি.সি. এক্তা কপ অন্দর সভেন্টিন বোইজ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-আর.এফ.এনা কে.আই.ৱাই.সি. এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এন.সি.সি. ইম্ফাল গ্রুপনা এস.য়ু.এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ১০ মায়থিবা পীখ্রে।

পি.সি.এন.দি.সি. থোংজ্ পার্ট টুনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু ৱিকেট ৮ মায়থিবা পীখ্রে।